মালেমদা ফাওরবা কোমেডিয়ান, চার্লি চাপ্লিনগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা খরা


Marilyn Morgan

Edna and Charlie


Harry Myers

☛ Virginia না মমিৎ তাঙবী শারিবনি। লৈ লৈবা লাক্লিবা চার্লিদা মমিৎ উদনা লৈ অমা পায়রগা, মসি লৈবীয়ু হায়দুনা- 'Flower, Sir? হায়না হংগদৌরিবনি। মদুদা মানা এক্ট তৌবা ঙমদ্রে। কয়ারক হন্না নমখি। পূংদগী হেন্দোক্তুনা নুমিৎ কয়া চঙনা মদুদা মান্নবা হোৎনদুনা নমখি।

☛ মান্দ্রিবা অদুগী মরম কোন্নদি খঙখি, চার্লিগা Virginia গগী মরক্তা অওইবা নুংশিনবা মরী লৈতবননি। চার্লিনা মাবু ষ্টুদিওগী মপান্দা নোংমতা উনখিদে। মাগী য়ূমদসু নোংমতা কৌদুনা চা থকমিন্নখিদে। অদুনা এক্টিংদু রিএলিটি তাবা য়াদবদুনা জন্যুৱারী ২৯দগী ফেব্রুৱারী ১৪ ফাওবা হোৎনবদা মাল্লু ইয়া য়াদ্রে।

☛ জন্যুৱারী ২০দা অমুক সীন্দু হন্না নল্লে। অদুবু ফেব্রুৱারী ২৫দদি চার্লি অমুক নারে। অদুনা এপ্রিলদা মহাক ফরক্তুনা লৈ য়োনবগী সীন্দু অমুক নমদুনা য়েংলে। মদুদসু মহাক্না পেনবা ওইদ্রি। অদুনা সীন্দু তোকথোক্লগা সীন অতৈ নমদুনা লৈরে। অদুবু এপ্রিল ২৮দা নম্বদদি চার্লিনা পেল্লে। সীন অদুদা শোট মশীং ৪০০ নমখি।

☛ মথঙদনা শেনয়াম পায়বা শারিবা Henry Clive কী সীন নম্বা হৌরে। হুমনি চনবা নুমিত্তা Clive না পুখ্রিদা তাশিনবগী সীন নম্নবা শেম শারে নোং ঙানবদা। অদুবু ক্লাইভনা মহাক বোন ক্রাইটিসনা নাবা অমা লৈ অদুনা নুংশা শাদ্রিফাওবা ঈশিংদা তাবদু নুংঙাইররোই, নুংশা থোকপফাও ঙাইবীয়ু হায়রে। মদুনা চার্লিদু শাউখ্রে অদুনা চৎখ্রে। অদুগা ক্লাইভপু দিসমিস তৌরে হায়রক্লে।

☛ চার্লিনা ক্লাসভকী মহুৎ অমা থিরে। Harry Myers কৌবা অমনা ক্লাইভকী মহুৎ কুম্বা তারে। ফিল্ম নম্বদু ফজনা চথরে। শেনয়াম পায়বা শারিবা অসিগা চার্লিগা নমগদবা সীন অয়াম্বা নল্লে। অদুবু ইনাকখুনবদুগা মাগা নুমিদাংগী ক্লব অমদা চঙবগী সীন নল্লিঙৈদা মাগী ষ্টুদিওদা লৈহৌরিবা Alf Reeves কৌবা অদুদা ফোন তৌরকখি। Crocker না ষ্টুদিওদা লৈরিমখৈ মহাক ষ্টুদিওদা চঙলক্লরোই হায়না।

☛ অদুক লুনা তিন্নরম্বা অনীদু করিদা নুংঙাইনখিদবনো কনানসু খঙদ্রে। লন্নাই মরমগী ওইগনি হায়নৈ। Alf Reeves না পাউদু Crocker দা তম্বদা মথ্বায় নুংঙাইখিদে। Reeves নসু মহাক ওইনা তোক্কে নঙ তোকখিনু হায়। অদুবু Crocker ওইনা অদুম তোকখ্রে।

☛ অমরোমদা হান্নগী ষ্টাফ মেম্বরশিং Henry Bergman অমদি Carlyle Robinson দি Crocker চৎখিবদু হরাউখি। মরমদি ক্রোকর হেক লাকপদগী চার্লিনা মখোয়বু লায়না লৌরকখিবনি।

☛ মথঙ থাদগী ফিল্মদু লোইবা ঙম্নবা কন্না হোৎনরে। মথঙদি Virginia Cherrill গী সীন নম্নবা অমুক হোৎনরে। থা ৬ লোমসি মহাক ষ্টুদিওদা লাক্লবসু মাগী সীন নমদনা অদুম লৈবনি। অদুনা মহাক তন্থরক্লবনি। অদুবু চার্লিনা য়াদবা মাগী লমচৎ খরা লৈ। মাদি মাগী সীন নত্তে হায়দুনা নুমিদাং নুমিদাং পার্টি চৎলুরে, অদুগা ষ্টুদিওদা লাকপদনা ইচোক চোকথরদুনা মথ্বায় য়াওবা উৎতে। মদু চার্লিনা য়ানীংদে।

☛ চার্লিনা তত্তনা হায়, "The essential impetus of his creation was enthusiam. An idea will generate enthusiasm and then the enthusiasm only lasts for a little while, and then you wait for another day." মানা হায়রিবসি আর্টিষ্ট খুদিংমক মতম পূম্বদা কো-ওপরেসন পীনগদবনি, শেম-শাদুনতা লৈগদবনি। ৱাখল অমা লাকপদা আইদিয়া অমা ফংলিবনি। অদুগা আইদিয়া অদু কুইনা লৈবীয়ু য়াবা নত্তে, অমুক মাঙখিনি। নমিৎ কয়ানি হল্লক্তবা য়াই। অদুগুম্বা enthusiasm অদু Virginia দা মতম পূম্বদা লৈতে।

☛ অদুবু ১৯২৯গী নবেম্বর ৪দগী Virginia গী নম্বা হৌরে। অদুবু চার্লিনা য়াম্না সেরিয়স ওইনা নম্বা হৌরক্লবা মতমদুদা Virginia না 'ছুটি খরা ঙন্না থাবিয়ু মাগী শম শেল্লুদৌবা অমা লৈ, হেক হায়রুরে। চার্লিনা শাউদুনা খুদক্তা মাবু তোকহনখ্রে। নুমিৎতুমক্তদা হান্না য়াওরম্বা Georgia Hale কৌবীদু কৌহল্লুরে। Virginia গী মহুৎ মানা কূম্বদা তারে।

☛ ময়াম্নদি চহীমুক নম্বা হৌখ্রবা Heroine অমবু হেক্তা শিন্দোকপদু চার্লিগী ৱাখল লেপ্তুনা মানখি। অদুবু তশেংবদি চহীমুক্তুদা Virginia গী সীন অনীখক্তা নল্লিবনি। অদুসু চার্লিনা পেনবা ওইদ্রি।

☛ অদুবু মাগী Crew Member Carlyle Robinson নদি হান্নগী Virginia না পকপা হেনগনি হায়দুনতা লৈরে। জগোয়গী মতাংদা মানা ফজনা হেনগনি হায়দুনা চার্লিদা তকশিল্লে। অদুবু চার্লিগী ৱাখল হোংহনবা ঙমদ্রি।

☛ অদুনা চার্লিনা অতোপ্পা নুপীমচা অমসু স্ক্রিন টেষ্ট তৌদুনা য়েংলি। মমিংনা Marilyn Morgan কৌই। চার্লিনা মাবু য়ানীংবগুম তৌই। অদুবু Reeves কা রোবিনসনগনা কন্ট্রেক্ট ইনবদি অমুক্তংগা খন্থবীনবা হায়জখি। মদু মখোয় অনীনা হান্নগী Virginia দুনা ফৈ খনবনা চার্লিবু খাল্লিবনি।

-মথং-মথং

ব্যুটি দাইরিজ - মেক অপ



মেক-অপ হৈত্রবদি অহল ওইনা উহল্লি

মশাগী চহীগা য়েংনবদা নহা ওইনা উহনবা পাম্বা হায়বসি হৌনশানি। অদুনবু মীপুম খুদিংমক নহা মাল্লি হায়বদা হরাওনরিবনি। কনাগুম্বা খরদি মশাগী চহীগা চান্নবা শকফম পাম্বসু য়াওদবা নত্তে। অদুম ওইনমক মশাগী চহীগা চান্নদবা মওংদা অহল ওইনা উহনবা পাম্বা কনামত্তা লৈতে হায়বসিদি কক্লিংঙাই লৈত্রবা ৱাফমনি।

মতাংসিদা মরু ওইরিবসি মেক-অপনা মীওইববু নহা ওইনা উহল্লি, হৈত্রগনা অহল ওইশিন্না উহল্লি হায়বসিনি। হীরমসিগা মরী লৈননা তৌগদবা অমদি তৌরোইদবা থৌরাং খরা খঙমিন্নসি:-

. কোসমেটিক কা হেন্না শীজিন্নরিবমখৈ অহল ওইনা উহল্লি। মরম অদুনা য়ারিবমখৈ অকে-অমৌগী পোৎলম কা হেন্না তৈরোইদবনি। ফাওন্দেশন কা হেন্না তৈরবদি তুখোঙ ফুলহনবগা লোয়ননা মায়গী অখুইবা শরুক ময়েক শেংনা উহল্লি। ফাওন্দেশন অমদি কোন্সিলর শীজিন্নবা তারবসু খজিকখক্তমক য়াম্না পানা তৈগদবনি।

. মীৎপান ময়াগী তুখোঙশিং থাউরেক থোক্তবা মরম্না অয়াম্বা মতমদা ইকং কংদুনা লৈ। মরম অদুনা কনাগুম্বা অমা মায় খুইবা হৌরকপদা মীৎপান ময়াদা হান্না খুইরকই।

. মীৎপান ময়াগী উনশা অসি য়াম্না পাবনিনা কা হেন্না চেকশিনবা মথৌ তাই। নুপীশিংনা আয় শেদো শীজিন্নবদা য়াম্না চেকশিনগদবনি।

. মায়গী মফম শীনবা থুংনা পাওদর থাবগী মথৌ তাদে। নাতোন অমসুং চীনবাল মখাদা পানা তৈবগা লোয়ননা লাইবক্তদি পাওদর কা হেন্না থাবা য়াদে। মসিনা লাইবক্কী অখুইবা শরুক হেন্না ময়েক শেংদোকহল্লি।

. য়ারিবমখৈ চীনবাল মচুগা হাইরপ মান্নবা ইচম চম্বা মচুগী লিপষ্টিক শীজিন্নগদবনি। লিপষ্টিক তৈবদা ব্রশ নত্রগা খুৎশা শীজিন্নরবদি অপা-অথা চাং মান্নহনবা ঙমগনি। চীনবাল মথক-মখা অনীমক্কী ময়ায়দা লিপষ্টিক খরা থারপ তৈরগা মতাইদা পানা তৈগদবনি।

. পীশুমগী মওং মতৌ ফজনবা শেল্লবসু কা হেন্না পীশুম ফোইদোকপদি খক তৌরোইদবনি। চহী য়ামশিল্লকপগী মতুং ইন্না মচু পাথরকপদগী পীশুম মুবগী চাং হন্থরকই। মতাং অসিদা খরা লাইট ওইবা আয়ব্রো পেন্সিল অমদি আয় লাইনর শীজিন্নবা মথৌ তাই।

. চহী নৌরিঙৈদা মায়গী শরুক খরা ইরং লংখৎপদা য়েংবা নুংঙাইরবসু চহী খরা লৈশিল্লক্লবদি য়েংবদা নুংঙাইতে। মরম অদুনা চহী খরা য়ামশিল্লক্লবদি পাওদর থাদুনা মায় লংখৎহল্লোইদবনি। অদুম ওইনমক কা হেন্না পাওদর থারবদি মায়গী অখুইবা শরুক ময়েক শেংনা উহল্লি।

. অমুবা, অশংবা, হীগোক নৎত্রগা মংগ্রা মচুগুম্বা মস্করা শীজিন্নবগী মহুৎতা ইচম-চম্বা মহৌশাগী ওইবা ইশাগী কুচুগা চান্নবা মস্করা ওইনা শীজিন্নগদবনি।

. আয় লাইনর মহী শীজিন্নবগী মহুৎতা ক্রিম লাইনর শীজিন্নবনা খুদোংচাবা হেল্লি । লোয়ন-লোয়ননা মপান থংবা মীৎকী কাচিন্দা অমম্বা আয় শেদো অমা শীজিন্নরবদি কা হেন্না কেবসু মালহন্দনা নহা ওইনা উহল্লি।

ꯃꯈꯥꯒꯤ ꯁꯛꯇꯝ ꯇꯔꯥ ꯈꯦꯠꯅꯕ ꯁꯨꯔꯗꯨꯅ ꯊꯤꯗꯣꯛꯎ



Title : CAR (ꯀꯥꯔ)





Shamom Biken Meitei
Class : IV, Sec: A, Roll: 9
Smart Universal Academy
ꯁꯃꯣꯝ ꯕꯤꯀꯦꯟ ꯃꯩꯇꯩ
ꯀ꯭ꯂꯥꯁ: ꯴, ꯁꯦꯛꯁꯟ: ꯑꯦ, ꯔꯣꯜ: ꯹
ꯁ꯭ꯃꯥꯔꯠ ꯌꯨꯅꯤꯚꯔꯁꯦꯜ ꯑꯦꯀꯥꯗꯦꯃꯤ

Title : FISHING (ꯉꯥ ꯐꯥꯕ)



Wahengbam Adison Singh
Class : V, Sec: B, Roll: 33
Smart Universal Academy
ꯋꯥꯍꯦꯡꯕꯝ ꯑꯦꯗꯤꯁꯟ ꯁꯤꯡ
ꯀ꯭ꯂꯥꯁ: ꯵, ꯁꯦꯛꯁꯟ: ꯕꯤ, ꯔꯣꯜ: ꯳꯳
ꯁ꯭ꯃꯥꯔꯠ ꯌꯨꯅꯤꯚꯔꯁꯦꯜ ꯑꯦꯀꯥꯗꯦꯃꯤ

Title : SWEET HOME





Ch. Yaikhomba Meitei
Class : V, Sec: A, Roll: 26
Smart Universal Academy
ꯆ. ꯌꯥꯏꯈꯣꯝꯕ ꯃꯩꯇꯩ
ꯀ꯭ꯂꯥꯁ: ꯵, ꯁꯦꯛꯁꯟ: ꯑꯦ, ꯔꯣꯜ: ꯲꯶
ꯁ꯭ꯃꯥꯔꯠ ꯌꯨꯅꯤꯚꯔꯁꯦꯜ ꯑꯦꯀꯥꯗꯦꯃꯤ

Title : MEHNDI (ꯃꯦꯍꯟꯗꯤ)





K. Benita Chanu
Class : III, Sec: A, Roll: 21
ꯀꯦ. ꯕꯦꯅꯤꯇꯥ ꯆꯥꯅꯨ
ꯀ꯭ꯂꯥꯁ: ꯳, ꯁꯦꯛꯁꯟ: ꯑꯦ, ꯔꯣꯜ: ꯲꯱

Title : LOTUS (ꯊꯝꯃꯣꯏ)



Salam Langlen
Class : II, Sec: B, Roll: 11
Smart Universal Academy
ꯁꯂꯥꯝ ꯂꯥꯡꯂꯦꯟ
ꯀ꯭ꯂꯥꯁ: ꯲, ꯁꯦꯛꯁꯟ: ꯕꯤ, ꯔꯣꯜ: ꯱꯱
ꯁ꯭ꯃꯥꯔꯠ ꯌꯨꯅꯤꯚꯔꯁꯦꯜ ꯑꯦꯀꯥꯗꯦꯃꯤ

Title : SCENERY (ꯁꯤꯅꯔꯤ)





O. Boiton
Class : KG, Group: A Roll: 26
ꯑꯣ. ꯕꯣꯏꯇꯣꯟ
ꯀ꯭ꯂꯥꯁ: ꯀꯦꯖꯤ, ꯒ꯭ꯔꯨꯞ: ꯑꯦ, ꯔꯣꯜ: ꯲꯶

Title : TRAIN



Wel Ngangom
*Class :*KG, Sec: , Roll: 27
Active School Imphal
ꯋꯦꯜ ꯉꯥꯡꯉꯣꯝ
ꯀ꯭ꯂꯥꯁ: ꯀꯦ ꯖꯤ, ꯁꯦꯛꯁꯟ:, ꯔꯣꯜ: ꯲꯷
ꯑꯦꯛꯇꯤꯚ ꯁ꯭ꯀꯨꯜ ꯏꯝꯐꯥꯜ

Title : SCENERY (ꯁꯤꯅꯔꯤ)



Yaichenbi Oinam
Class : II, Sec: A, Roll: 31
Trinity Public School, Mongshangei
ꯌꯥꯏꯆꯦꯟꯕꯤ ꯑꯣꯏꯅꯝ
ꯀ꯭ꯂꯥꯁ: ꯲, ꯁꯦꯛꯁꯟ: ꯑꯦ, ꯔꯣꯜ: ꯳꯱
ꯇ꯭ꯔꯤꯅꯤꯇꯤ ꯄꯕ꯭ꯂꯤꯛ ꯁ꯭ꯀꯨꯜ, ꯃꯣꯡꯁꯥꯡꯒꯩ

Title : LOTUS (ꯊꯝꯃꯣꯏ)



Olivia Mayengbam
Class : I, Sec: E, Roll: 67
Catholic School, Canchipur
ꯑꯣꯂꯤꯚꯤꯌꯥ ꯃꯌꯦꯡꯕꯝ
ꯀ꯭ꯂꯥꯁ: ꯱, ꯁꯦꯛꯁꯟ: ꯏ, ꯔꯣꯜ: ꯶꯷
ꯀꯦꯊꯣꯂꯤꯛ ꯁ꯭ꯀꯨꯜ, ꯀꯥꯟꯆꯤꯄꯨꯔ

Title : BRINJAL (AUBERGINE)



Ahenba Mayengbam
Class : Pre-Nursery, Sec: , Roll: 26
Angel Kids, Khongnang Pheidekpi
ꯑꯍꯦꯟꯕ ꯃꯌꯦꯡꯕꯝ
ꯀ꯭ꯂꯥꯁ: ꯄ꯭ꯔꯤ ꯅꯔꯁꯔꯤ, ꯁꯦꯛꯁꯟ:, ꯔꯣꯜ: ꯲꯶
ꯑꯦꯟꯖꯦꯜ ꯀꯤꯗꯁ, ꯈꯣꯡꯅꯥꯡ ꯐꯩꯗꯦꯛꯄꯤ

ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯅꯝꯕꯔꯁꯤꯡ ꯁꯝꯅꯍꯟꯕꯤꯌꯨ, ꯃꯗꯨ ꯃꯆꯨ ꯊꯥꯕꯤꯌꯨ



পোক ফোইবা নৎত্রগা ককপনা পোক হৌবা হেনগৎলকপ্রা?

ৱাফম অসিগী মতাংদা ব্যুটি থেরাপিষ্ট অমনা অসুম্না ৱারী লিখি - ঐহাক্না চাংয়েং অমা তৌখি। ঐহাক্কী কোক্কী ওই থংবা নাকন্দগী ঐহাক্না পোক লৌথোকখিদে, তৌইগুম্বসুং য়েৎথংবা নাকন্দগীদি পোক লৌথোকখি (ফোইদৎখি নৎত্রগা কাটিনা ককথৎখি)। করি তৌরকপগে হায়বদু খঙনবা থৌওং অসি ঐহাক্না চহী খরা চথখি। মদুগী রিজল্টশিং তশেংনমক সাইন্টিফিক ওইখিদে, পুক্নিং থৌগৎনিঙাই ওইখিদে। পোক মাংহনবনা কোক্তা পোক হৌবা হেনগৎলকপা নৎত্রগা হন্থরকপা নৎত্রগা পোক ফোইরিবা, মাংহল্লিবা মফমদুদা মশিং হেনগৎনা হৌগৎলকপগী মওং অমত্তা উখিদে। ঐহাক্না শমদা মচুসু শংখিদে, মশাগী মচু অদুম লৈহনখি। মচু শংবগী থোইদোক্লা কান্নবা লৈতে খল্লি মরমদি শেল চঙই, জন-জান ওই, হকচাংদা কেমিকেলনা শোকহনবসু য়াই, মচু কুইনা লৈগদবসু নত্তে, শম থুনা শাংগৎলকই। তশেংনমক মীশিংনা ঐহাক্কী পোক ঙাক্তা ঙাইরবা, পুংঙৌ ঙৌরবা শম অশেংবা উরবা ফজে, য়েংবদা নুংঙাই হায়নবা ঙাক্তনি।

ঐহাক্না মমাঙগী চয়োলদা শক ককথৎখি, মদু ঐহাক্কী খ্বাঙ য়ৌনা শাংলবনি। হৌজিক্তি লেঙবান্দা লৈরে , কোক য়াংলেন নুংঙাইরে, তৌইগুম্বসুং পোক হন্থরকপদি নত্তে।

তশেংনমক পোক ফোইরগা নৎত্রগা কাটিনা ককথৎপনা পোক হেন্না হৌগৎলকপা লৈতে। অসুম্না হায়নরিবসি পংহাই, হায়নবা লান্না থাজবা অমনি। অসিগুম্বা অরানবা থাজনবী অসি ইচম চম্না চুম্লমগনি হায়না খন্দুনা শন্দোক্ন খিবনি হায়না লৌবা য়াই। কনামত্তনা চাংয়েং তৌখিদবগী মওংনি। নহাক্না পোক অমা ফোইরগা অমুক হৌরকপদা মতম শাংনা চঙই অমসুং তশেংনমক মদু শাংনা অমুক উরক্লবা মতমদা নহাক্না পোক্তু লৈরি হায়বা খঙই, তৌইগুম্বসুং মফমদুদা পোক মশিং হেনগৎনা হৌরকপদি নত্তে।

সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা ফোঙদোকপা তারবসু, ঐখোয়গী শম অসি ফোলিকলশিংদগী চোংখৎলকপনি। ফোলিকল অমদা শম অমদগী হেন্না চোংখৎপা লৈতে। অদুনা পোক ফোইবনা নৎত্রগা ককপনা পোক নৎত্রগা শমদু মাংহনবা লৈতে। মশিং হেনগৎনা হৌরকপসু লৈতে। শম ঙৌথোরক্লিবা নৎত্রগা পোক হৌরক্লিবসিদি চহীগী মতুং ইন্ননি নৎত্রগা শমগী মশাগী মচু থোকহল্লিবা পিগমেন্ট হন্থরকপদগী নৎত্রগা মাংলকপদগীনি। পোক ফনবনি হায়দুনা ঐখোয়না হঞ্জিন হঞ্জিন্না ফোইদৎলবদি মমৈথংদা মফমদুদা শম হৌরক্লরোই, মফমদু তাংলগনি। মরমদি তত্তনা শম ফোইবদুনা মমৈথংদা শমগী ফোলিকলশিংদা মেসেজ অমা থাই মদুদি মফমদুদা শমগী চন্নফম লৈতে। ফোলিকলশিংদু তুমিন্না লৈশিনখি অমসুং শম চোংদদুনা মচিদুমা মচেৎ অমা তাংলগা লৈবা তারকই।